## এডিটোরিয়েল

### পূলিস দিপার্টমেন্টকী থৌনা উৎপীয়ু

চীংগী ড্রিষ্ট্রিক্ট শিংদা মণিপুরগী লৈঙাক চৎনদে হায়বসি হৌখিবা চহি ২০ লোম অসিদা লৈরবা ফীভম অমনি। মসিগী মথক্তা লৈঙাকসিনা নাগা তাবা চীংগী লমশিংদা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক্লোন পূন্নমক অমত্তা চৎনদে হায়বসি য়ান্নমক চুপ্লবনি। চীংগী লমদা চৎনরিবা থৌশিল অদু পুলিস ডিপার্টমেন্টনা ঙাকপা ঙমদবদগী ঙসিদি লৈঙাক অসি মপূ পান্দবা অমা ওইহল্লে। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা মণিপুর সরকারগী পুলিস ফোর্সনা কম্মান্দোশিংগা লোয়ননা আই আর বি পার্সোনেলশিং শীজিন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈরম্বা আইন্না য়াদবা মখলগী এন এস সি এন (আই এম) গী কেম্প অমা থুগাইদুনা মরী লৈনবা চে-চাং কয়া ফাগৎখিবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না নৎত্রগা পুলিস ডিপার্টমেন্টনা পায়খৎফম থোকপা থবক অমাফাউবা পায়খৎখিদে হায়বসি খ্বাইদগী শেংলবা ৱাফমনি। মণিপুরগী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ট এন এস সি এন (আই এম)না হেন্না লিংনা থবক থৌরি অমসুং লৈঙাক অসিনা মখোয়গী লমদমশিং অদুদা ৱায়েনবা ঙম্বগী শক্তি অমতা লৈতে হায়বসিসু মীয়ান্না খংই। অদুবু এন এস সি এন (আই এম)গী অদুগুম্বা কেম্প অমা ষ্টেট অসিগী মনুংদা লীংনবগী অয়াবা লৈতে হায়না হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম অমসুং মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা এন এস সি এন (আই এম)গী কাদরশিং ফাখিবা অমসুং থাদোকখিবা অদু য়াম্না স্পিসিয়েল ওইবা কেস অমনি হায়না শান্তিগী ৱারি চথনরিবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটরনা ফোঙদোকখিবা কয়াসু ঙসিদি খঙনরে। মসিগী মথক্তা অমুক অনৌবা ইন্টরলোক্যুটর অমা শিল্লগনি অমসুং মখাতানা অথুবা মতমদা ইন্দো –নাগা পিছ তোল্ক অসি লোয়শিন্নবা ৱারি শারগনি হায়বগী থাজবা অমসু পীরি। লুরিবদি মণিপুর সরকারনা ষ্টেট অসিগী ওইনা লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেম অসি ষ্টেট প্রোব্লেমনি হায়বসি খঙদুনা লৈরবসু ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি মরুওইনা ষ্টেটকী য়ুনিটিদা শিংনবা থৌওংশিংদা ঙসি ফাওবা চপ চানা থেংনবা ঙম্নবা হোৎনদবা অসিনি। হৌজিক মীয়ান্না পাল্লিবদি মণিপুর লৈঙাক অসি মশাগী মতিং ফুদোকপা ঙম্বা লৈঙাক অমা ওইহনবা হায়বসিনি। নাগা তাবা লমশিংদা হন্দক মখল মখা কয়াগী অথিংবা থল্লকপগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা সেন্ত্রেল প্রোজেক্টশিং থিংজিনগনি হায়রকপসি য়াম্না লূম্না মীয়াম্না লৌই হায়বসিদি ঙসিগী সরকার অসিনা খঙফম থোকই। মসি ফাওবা খঙদবা তারগদি ঙসিগী লৈঙাক অসি লৈত্রবসু য়ারে হায়বা ৱাফম লাকপা য়াই।

অমরোমদা মণিপুরগী তঙাইফদনা মীয়ামগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা অথিংবা পীবগা চপ মান্নবা খোঙফম অমদা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসি থিংনবা অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা মখল অমত্তগী অথিংবা পীদনবা থৌরাং অমা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপগী চপ চাবা মতম অদু ওইরবনি। মসি সরকারদা পাউ–চেনা ইনশিনবা নত্তে। মসিদি চুম্নতগী সরকার অমা লৈবগী তৌফম থোকপা মথৌ অদু পাঙথোকউ হায়বা খক্তনি। মমাঙদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা থৌশাহৌদবদগী পামদবা থৌওং কয়া থোকখ্রে। মণিপুরগী প্রজাশিংনা গভর্নমেন্টকী অশোনবা কয়া অদুদা খাঙফম খঙদনা অৱাবা নংখ্রে। মদুদসু সরকার পায়রিবশিংনা হায়বদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা করিমত্তা খনখিদে হায়না লৌবসিদি থোইনা লানগদবা মান্দে। হৌজিকসু মুকপগী ৱানি, থবক ওইনদি পায়খৎপা ঙমদ্রি হায়না লৌগনি। সরকার পায়রিবা হোমগী থবকসু পুরিবা মীওই অমনা লুচিংবা অমা ওইনা নেসনেল হায়ৱেদা অপনবা পীরকপা তারগদি হায়রিবা মরী লৈনবা মীওইশিং নৎত্রগা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অদু চপ চানা অনৌবা প্যাডা অমা তম্বিনবা, সরকার অসি লৈরি হায়বসু খঙহন্নবা থৌরাং অমদি লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক্তি সরকার অসিসু সেন্টরদা লৈরিবা সরকার পায়রিবা পার্টিশিংগা খেন্নবা অমা লৈরবনিনা থোইদোক্লা কিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না লৌরগা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মতিং অদুদি ফুদোকপা মথৌ তারে। লাক্কদবা ফল অদু ওইনিংবা ওইসনু মীয়ামগী হায়বদি মণিপুরিশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবগী মথৌদুদি নাথৈবা ফরোই। ঐখোয়না উরিবসি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসিনা তেক্তা–কাইদনা অমসুং শান্তি লৈনা হিংমিন্নবা হায়বসিনি। মথৌ নত্তবদা মথৌ শাবশিংগা শিংনবদি থোইদোক্লা তঙাইফদবা লৈতে। মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা শিংনরকপশিং অদুদি সরকার অসিনা থেংনবা তাবনি। মসিদা মণিপুর পুলিস ডিপার্টমেন্টকী অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা মথৌ তাই হায়বসিদি মরিলৈনবা ডিপার্টমেন্টনা খল্লগা লেপফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হৌখি–হৌখিবা সরকারশিংগী লাইওংননি

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

তশেংনা হেক হায়রবদা লমদমসিগী হৌখি হৌখিবা সরকারশিংগী লাইওংদগী ঙসিদি লাইয়েংনবা ডাক্তর লৈতরি লোইননা অনাবসু লায়হৌ হন্দরি। তশেংনা লমদমসিগী ৱারীশিং অসি কনাগুম্বা ঞ্জান তাবা মীওইশিংদা ৱারী লিরগা তাহল্লুবদা ঙক্তবা, নোক্তবা শুকলে লৈরোইদবনি। অমরোমদসু ভারত সরকারগী মীহুৎশিং পূন্নমকসু য়ান্না থিনা হঞ্জিন হঞ্জিন শোইদনা চৈগনি থাজে। হৌজিক লমদমসিগী ওইরিবা শক্তম অসিমক য়েংলুরগদি ওন্থোক্লা পেঞ্জখিদে হায়বসি লাল্লরোই। নুপী মমাংদা অকন–অথৌ শাবা হায়বা ৱাহৈশিং কয়া অমসু হেক্তা নিংশিংহল্লি। হৌদোংনা ঙা চাবা য়েংগদবনি হায়বতমক খঞ্জবা মদু তাম্থোক্নবা করম্বা লম্বীশিং লৈবগে থিজিন্বীদবশিং কয়া অমনা লৈঙাক ফীদা ফমনবগী শেলয়াম থাদরিবনি। রাজনিতিগী লমদা মীয়াম সেবা তৌবা শাবা মীশিং হেনগৎলকপদগীসু অচুম্বা রাজনিতিশিং মাংখিবনি থাজে। করম্বা ৱাখলদা করম্বা ৱাহৈশিংদা লমদমসিগী রাজনিতি তৌবা ফম্বাল তোংখ্রবশিংনা পংথরুরিবনো হায়বসিদা ঙক্লা থোকই। ৯২গা ৮ গসি কনানা চাওই খংজদবা মতমদুগী প্রজা সেবা তৌরম্বশিং হৌজিক্কা হিংলম্লবদি লাইবক চাওবা পুকচেল পিকপনরা মীনা তৌরিবমখৈ য়েস! হায়বা পামজবশিং মচা মশু শুথাং পূন্নমক য়াইফৌ খৌরক্কদৌরে। থৱাই চাওবশিংগী মচা মশু ৱাত্তবনা বন্ধুলা অহৌ অহৌবশিংমমল য়ান্না য়ান্না পিবশিং থাদুনা মোন্দা নুংঙাইথোক্লি। সোমদনা খোঙ হাম্ফম ফাওবা লৈহন্দনবা হাপ্তা হাপ্তাগী খন্ন–নৈনদুনা ইপা ইপু অমত্তা তিন্নদ্রবসু ঐখোয়গী দাবী লৌগদবনি হায়রি। লৈঙাক্কী অচুম্বা নিয়ম অমত্তা য়াওদবমখৈ দিমান্দবু তৌরক্লবদি হেক্তা পিননবা ভারত সরকার অঙম্বশিংসু য়াই থারবা ঙাগুন্না পংথখ্রে। অচুম্বনা করিনো অরান্বনা কন্দাইনো য়েংগদবা কোক্কী ৱাংখলশিং খলহনখিদ্রে। মশাগী অচুম্বশিং অমত্তা ফোংদোকপা ঙমদবগুন্না লম মচেৎ অমত্তা কায়হল্লোই লাওদুনা লৈবনদি মণিপুর কনগদবা নত্তে। হন্দক্কী থৌওং অসিদগী শোয়দনা খঙগনি মণিপুরদা সনাগী থম্বাল অমা শাৎলগনি নৎত্রগা কেনখ্রগনি হায়বসু। হৌজিক ওইরক্লিবা শক্তম্শিং পূন্নমক মণিপুরগী হৌরক ৱারী নিংথিনা মমুৎ তানা খংদবদগীনি থাজনরি। মহাভারত ৱারী লাইরিক য়ান্না ফজে য়ান্না কান্নে চিন্না হায়জরগসু মনুংথিৎনা নৈনবা হৈতবশিংদদি কান্নবা মফমশিং খংদে। মদুমক্লা মাগী থম্মোইদা মহাভারত ৱারীদা নিংথিনা খংবা ঙমদে চুম্নতগী ভীমগী অকন অরিংগী অর্জুনগী তেনগী হৈশিংবা কৃষ্ণগী লৌনমশিং শক্তিশিং কনাগী ৱাশকশিং চাওরকপা খরখক নক্তনা কুপশিন্না খংদে। মদুনা মহাভারত নিংথিনা খংননবসু হোৎননিংদবনা কান্নবা লৌবা ঙমদবগুন্না ঙসিগী সরকার পায়রম্বশিংনা লমদমসিগী অচুম্বা হৌরক ৱারীশিং মমুৎ তানা খংজিন্দবা খংননবসু হোৎননিংদবদগী ঙসিদি পেন্না নংসু ঐসু কংসি প্রজা ঐখোয় পূন্নমকসু য়ালগদৌরে। মসিরা নখোয়না প্রজাগী সেবা তৌগদৌরিবনি হায়দুনা শেল য়ান্না পিদুনা প্রজাশিংবু লৈরিবসে?

অদোমগী
কে এম খুমন, ইম্ফাল

# পীছ তোল্ক কী পোলোই সিক্রেট ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট মহু পুবা লীলগুম্বনী

*টিঐচ উদোই লুৱাং*

***“লৈঙাক সাসন পায়রিবা সরকার অমগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অহানবা থবকসি সমাজদুদা শান্তি থম্বনী। অনীশুবা থবক্না সোসিয়েল ৱেলফিয়ার প্রোগ্রামশিং মথং মনাও, অহান অকোন নাইনা থবক ওন্থোকপনী। ফীভম অনিসি চীন্দা খংলবসু থবক ওন্থোকপা হৈত্রবদি সরকার অদুগী মপুন্সি তম্বা ঙমদে। মীয়ান্না আশা তৌনিংঙাইসু লৈতে। ঈপা ঈপুগী পাউরৌ, ‘বোম্না হৌরগা পোকলাওবীনা লোইশিনবা’ হায়বদুমক তাদুনা সরকার অদুখক্তা নতনা পোলিতিকেল পার্টি অদুফাও সমাজসিদগী কাংখুল মুৎখিবা য়াই।”***

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীমক্তা বি জে পি না লুচিংবা অনৌবা সরকারশিং লাকখিবদা হরাও নুংঙাইবা পোক্লখি। অদুবু থংনবা মীৎকুপ্তা বি জে পি সরকারনা হকথেংননা মণিপুরী সমাজদা তংদু লৈতাদবা চরাংনবা তত্তনা থোকহন্দুনা শান্তি থুগাইরকপা য়াবগী ফীভম লাক্লিবসি নুংনাংনিংঙাই ওই। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি, ভারত সরকার অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী চহী ২০ হেন্না চত্থরক্লিবা পীছ তোল্ক অসিনা পুরক্লিবা সেক্রেত ফ্রেম ৱার্ক এগিমেন্ট অসি মহু পুবা লীলগা চপ মান্নরি। মসিনা খজিক খজিক কামলকপদা সমাজ অসিগী শান্তি দোরমোল হেক্তা হাই। থোকহননিংদবা পামদবা থৌদোকশিংসু মশিং খংদনা থোংকখ্রে। হৌজিকসু এগ্রিমেন্ট অসিনা খজিক্তং মথি ফোংলকপদা মণিপুরী সমাজ তংদু লৈতাদ্রি। পামদবা থৌদোকশিং থোকলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবা শান্তি রক্ষ গী ফীভমদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরকপসু য়ারি। মীয়ামগী খোল্লাও, খোংজং, ইহৌ, হেক কনখৎলকপগা ঙারত সরকারনা অবতারঅমা হেক্তা তৌবসু মীয়ান্না মায়েক শেংনা উরি।

**মীয়ান্না খংলিবা অমসুং নৌহৌননা নৈনবা য়ারিবা ৱাফমশিদিঃ** এন এস সি এন (আই এম) নাগালেন্দগী খুৎলায় পায়বা লালহৌবনী। মখোয়না সোভরেন্ট কন্ত্রি অমা শাগৎননবগীদমক ইন্দিয়া গবনমেন্টগা নোংমৈ কাপ্নদুনা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীগনী হায়দুনা লিঙশাংশিৎনা লাকখিবনী। মণিপুরগা নাগালেন্দগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী লমখৈদা, এদমিনিস্ত্রেসন্দা, ইথনিক লাইন্দা চয়েৎ খোইয়েৎনবা লৈরকখিদে। মখোয়না লাল হৌরকখিবসি নাগালেন্দ ইন্দিয়াদগী তোঙান তাদুনা সোভরেন্ট কন্ত্রি ওইবা অদুখক্তনি। অদুবু – ইং১৯৯৭ গী অগষ্ট ১ দগী ভারত সরকার অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীনা ঙসিফাওবা সিজফায়র তৌনরি। পীছ তোল্ক চত্থরি। মরকসিদা ইং ২০১৫ গী অগষ্ট ৩ দগী ভারত সরকারগী ইন্টরলোক্যুতব, আর এন রবি অমসুং এন এস সি এন (আই এম) গী জেনেরেল সেক্রেতরি, তিঐচ মুইবা অনীনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদুনা এন এস সি এন (আই এম) গী লালহৌ লোইশিন্ননবা হোৎনরক্লি। মীয়ান্না উরিবা এন এস এন (আই এম) গী মাইওনসি, সোভরেন্ট কন্ত্রিগী দীমান্দ তোকখ্রে। মখোয়না ভারত সরকারদা তাল্লীবা দাবীসি নাগা কম্ম্যুনিতিগী গ্রেতর ওতোনোমি অমসুং রিজন্দা (লম) য়ুম্ফম ওইবা নাগা তাবা মফমশিংগী ইন্টিগ্রেসন ‘গ্রেতর নাগালিম’ পীয়ু হায়বনী। মসিগী ৱাহন্থোক্তি, নাগা তাবা মণিপুরগী পাক চাওবা লম, অসামগী নাগা তাবা লম, অমসুং অরুনাচন্দগী নাগা তাবা লম পূন্নমক নাগালেন্দা পুনশিনবিয়ু অমদি নাগালেন্দগী পোলিটিকেল এদমিনিস্ত্রেসন মখাদা থম্বীয়ু হায়বনী। মশাগী অশেংবা ফীরেপ অমসুং ষ্টেন্দ লৈতবা এন এস সি এন (আই এম) গী দাবী করম্বা মাইয়োন্দা অমুক লাক্কদগে হায়বসিসু খন্নংঙাই ওইরি।

**নৈননিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদিঃ**

চহী ২০ হেন্না ৱারি শানরকপা হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো? শানরিবা ৱারিগী ভেল্যু করিনো? থা অমা ৱারি শানবদা করিবু শাননিংঙাই লৈখিগদগে? অপংববু থেমদুনা থম্বগা করিবু খেৎনরিবগে? তোংজৈ মরিলদা শমু চৎহল্লু হায়রবসু চৎহনগনী চৎহনগনী হায়রিবা ভারত ‘সরকার অমসুং মদুদা থাজরিবা এন এস সি এন (আই এম) অনীগী থবক থৌওং, থৌদৌ পূন্নমক মীরোল মীরোলশিংদা অঙকপা অমগুম ৱারিনহৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরমদি, অশিংবনা অপংবগী তৌবা ঙম্বা থৌনা–শক্তি পূন্নমক মোইথেম তৌদুনা নমশিনবা ঙম্মী। নংগী য়াদু ঐঙোন্দা হাপকে, অমনসু য়ানি হাপ্পু? থবক পাংবা শুকয়া য়ারোইদবা ৱাফমসিদা মতম মাংহনবগুম অর্থ থোক্লরোইদবা ‘গ্রেতর নাগালিম’ গী ৱাফমদা ভারত সরকারনা এন এস সি এন (আই এম) বু মোইথেম তৌদুনা থম্বা হায়বসি লৈবাক কাংখোং চাইহন্দুনা মীশি মীনা থোকহন্ননবা অমদি শান্তি থুগাইরক্লবগী অচৌবা ফেক্তর ওইরকপসু য়াই। য়ারোইদবা থবক্তদি য়ারোই হায়বা অমসুং থবক পাংবগী ভেল্যু লৈহন্নীংই। আইন লৈবা লৈবাক্নী। আইনবু চেৎনা থাজদুনা ঙাক্না চৎলীবা ভারত সরকারগী নীতি নীয়মশিং নীংথিনা থবক ওন্থোকপনা ভারতবাশী পূন্নমক্কী মফমদা অমসুং সমাজদা শান্তি থম্বা ঙমগনী।

কন্সটিট্যুসনগী মরুমদা ওইথোকপা য়াবা ভারতকী প্লেকার্দঃ

ভারত সরকারনা আই এম বু শাংলবা মতম লৌদুনা থাজহল্লগা থম্লক্লিবসি প্রাক্তিকেবল ওইদবা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (সি)গী মরুমদা ওইরম্বা য়াবগী চীংনবা লৈতসু নত্তে। আর্টিকল অসিগী ৱাহন্থোক্তি, ষ্টেট অমগী লমগী শরুক খরা ষ্টেট অমদা পূনশিনবা নৎত্রগা ষ্টেটশিংগী শরুক মচেৎ মচেৎশিং পুনশিন্দুনা অনৌবা ষ্টেট নৎত্রগা এদমিনিষ্ট্রেসন তোঙাননা লৈহনবা নৎত্রগা ষ্টেটশিংগী লমখৈ থুগাইদ্রবসু লমখৈ মনুংদদা তোঙানবা এদমিনিষ্টেতিব বোদি লৈহনবা হায়বদি গ্রেতর ওতোনোমি ফুরুপ অমদা পীবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি। অদুমক ওইদুসু অশেংবা পুৱারি অমসুং অপূনবগী শক্তম ময়েক শেংনা লৈজরকপা মণিপুরদদি প্রাক্তিকেবল ওইদে।

**মণিপুরি মীয়াম্না করি পাল্লিঃ**

ভারত সরকারনা আই এম গা শান্টিগী ৱারি শানদুনা অরোইবা ৱাখৈনবা অমা পুরক্ননবা হোৎনরিবসি য়ুমলোন্নরিবা মণিপুর পূন্নমক্লা নুংঙাইবা ফাওই। শানরিবা ৱারি পরিং অসিদা মণিপুরগা মরি লৈনবা ৱাফম অমত্তা য়াওহন্নিংদ্রি। মরমদি, নাগালেন্দ মনুংগী ওইবা ইসুনী, প্রোব্লেম্নী। য়ুমলোন কৈরোন্নবা অমদি তিন্নবা মরুপ মপাংশিংদা চয়েৎ খোইয়েৎনদুনা চৈথেং পীবা হায়বসি মীনসু, লাইনসু, ধর্ম্মনসু য়াফম থোক্তে। মণিপুরগী তেরিতোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হনবা য়ারোই। এদমিনিষ্ট্রেতিব ইন্টিগ্রিটি থুগাইবা য়ারোই। হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ষ্টেটস করিগুম্বা হীরম অমত্তদা চেঞ্জ তৌবসু য়ারোই হায়বনচীংবা খোল্লাওশিং লাওদুনা লীৎশাং শিৎনা লাক্লি। থৱাইদগীসু মমা লৈবাক্লা হেন্না লূন্না লৌজবা মণিপুররিশিংনী। জাতি ফুরুপ ৪০ গী মথক্তা লৈরিবা মণিপুরদা মখল অমত্তগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রসন, বজেট, গ্রান্ট –ইন–এদ অসিনচিংবা অকক্লবা ফুরুপ অমদা পীদুনা মণিপুরগী লৈজরিবা অপূনবগী শক্তমদা মচেৎ মকায় ওইবা য়াবা থবক অমত্তা তৌবীগনু অমদি ফেদেরেল ষ্ট্রকচর ওইরিবা ষ্টেটগী ষ্টেটস ঙাক্লা থম্বীয়ু হায়বনী।

লোইশিল্লকপদা অইবনা ভারত সরকারগী পুক্লিং চীংশিঞ্জনিংলিবদি, আই এম গী ওইবা নাগালেন্দ খক্তগী ইসু অসি মণিপুরদা মথি ফোংবীগনু। তোৎনা তিন্নদুনা লৈমিন্নবা ওইরবসু অমনা অমগী চাকখুম ফাকপা য়ারোই। শান্তি কায়রক্তুনা লৈবাক কাংখোং চাইরকপা য়াই। মমা লৈবাক্কীদমক মথৱাই থাবা ঙম্বা মণিপুরিশিংগী মশিং ৱাত্তে। লালহৌবা গ্রুপ অমা থেন্নবা হোৎনবদা অতোপ্পগী ইন্টিগ্রিটি থুগাইরুরবদি মদুদগী শরুক চাম্মা চাম্মা হেনবা ইসু ময়াম অমা থোরক্তুনা ইন্দিয়া কায়রকপা য়াই। য়ুনাইতেদ নেসনগী মীৎয়েং চংলক্তুনা ইন্টনেসনেল কোর্টগী চৈথেং ফংলকপসু য়াই। হৌজিক ওইরিবা ইসু অসি জাতি ফুরুপশিংগী মরক্তা নত্তে। নাগালেন্দগী এন এস সি এন খক্তগী ওইবা ৱাফন্নী। মীচম প্রাজাশিংনা অমনা অমগী মথক্তা লান্না লৌনবা চুপ্লোই।

# ঐখোয়বু কনানা ঙাকপী শেন্বীরিবগে

*চোংথাম থোইবা সিংহ*

মীওইবদি পূন্না হিংমিন্নবা জীবনি। হিংমিন্নবদা খুদোংচানবগীদমক মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবা লুচিংবা থন্নে। লুচিংবনা মীয়ামগী নুংঙাইনবা অমদি খুদোংথীবদগী কন্নবা ঙাক–শেন্নবা লৈঙাক শাসনগী মওং চাবা থৌরাং তৌনৈ। মসিগীদমক প্রজানা লুচিংবশিংদা শক্তি শিন্নে। লুচিংবগী ৱায়েল পথাপ্পু মীয়ান্না ইকাই খুম্নে। ৱায়েল মপুগা প্রজাশিংগা অনীগী মরক্তা থকশি খাশি নাইনা চৎনৈ। অদুবু ঙসিগী মপুগা প্রজাশিংগা অনীগী মরক্তা থকশি খাশি নাইনা চৎনৈ। অদুবু ঙসিগী মণিপুর সমাজদা প্রজানা মখোয়গী মীহুৎশিং খল্লগা লৈঙাক শাসনগী থবক তৌহল্লিবা লুচিংবশিংগী লমচৎ শাজৎ মীয়ান্না কিনরবা মওং ওইরে। মখোয়নদি মীয়ামগী মীহুৎনি, মন্ত্রী, এম এল এনি খঞ্জদুনা চৎচবা শারি। মখোয়বু মীয়ান্না ইকাই খুন্ননিংদ্রে অমদি থাজনদ্রে হায়বদি খঙজদে। মখোয়দা শিন্নরিবা শক্তি মরন্নাইগী ওইজ–ওইথক ফংনবা শেন্দাল লম্বীগী পোরম অমসুং থৌরাং পায়খৎপদা শীজিন্নদুনা লৈরে। ৱাফম অসিগী পেন্নদবনা প্রজাশিংগী থম্মোয়দা পোকখায়রক্কদৌরবা তূমদুনা লৈবা মৈগী চীংগা মান্নরে। নোংমদি শোয়দনা পোকখায়রক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। পেন্নদবনা ফুনগৎনদুনা লৈরবনি।

মন্ত্রী, এম এল এশিং মতোম মতোমতা চাউবা য়ারোই। প্রজা মীয়ামগী মরক্তা চাউজবনি। প্রজা ঐখোয়না চাউহনবনি। মতাং অসিদা অচার্য্য বিনোবাভাবেনা হায়রম্বা– “ঙসিগী ভারতকী মীখল মীরেপকী মওং অসিদি য়াউ ময়ান্না য়াউ শেনবা অমা খল্লগা য়াউ ময়াম্বু য়াউ শেনবনা কোইতান তানবা অদুগা মান্নে” হায়বসি চপ চানা থোক্লি। অদুবু প্রজাশিং থোইনা হেন্না ভাব তানদবদি নৎলক্ত্রে। নোংমদি য়াউ ময়ান্না য়াউ শেনববুসু কোয়তান তানবা হৌরক্লগনি। ঙসিমক প্রজাগী মীহুৎশিং মচী মচীদা মীয়ামগা চঙনদবা, তিন্না তোৎনদবা (বোইকোত) কয়া তৌনবা হৌনরক্লিবা হেক হেক তানরক্লিবা অমদি উরক্লিবসিনি। প্রজা ঐখোয়না ৱাখল খরা খন্থবা ৱাৎহৌবদগী মীশক লান্না ভোট পীরুবগী দযানি। অদুবু প্রজাশিংনা প্রজাগী মীহুৎশিংবু কোইতান তানবা মতম কুইররোই।

মীয়ামগী মরক্তা চত্তৎনদুনা শুফম নোম্ফম খঙদমখৈ লৈরম্বা মীওই কয়ানা মমায়দা নমথাক্কী মায়খুম উপশিল্লগা লঙ্কাগী রাবননা সিতা হুরমদাইদা শাশিন্নরম্বা ভিক্ষারিগুম ‘ভোটকী ভিক্ষা লাকচরি” হায়না কপশিন্নবগা লোয়ননা মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইহনবীয়ু হায়না কপশিন লাউশিন্নদুনা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপদা প্রজানা ভাব তাহৌদদুনা প্রজাগী শক্তি পীথোক্লুবদগী ঙসি লঙ্কাগী রাবনদগী হেনখ্রে। অৱাৎ অপা লৈনদ্রে। প্রজাগী মিংবু মন্ত্র ওইনা শোল্ল–শোল্লগা মশাগী পূক্কে–লনগৈ থনখ্রে। ফূৱা দলান্না কোনুংগা মান্নখ্রে। অদুবু মচীন্দদি তুলসি মনাগুম শেংলি শোঞ্জরি। চাকনিবা ভিক্ষারি অমনা অপাম পামদা খনগদবা নত্তে হায়বা ৱাফম চৎনদ্রে। করি ভিক্ষারিনা তৌনিংবতা তৌখ্রে। য়োংনা লৌ মপু তানবগা মান্নখ্রে।

ভোট হেক কাখিবা নুমিত্তগী প্রজাগা মরী অমত্তা লৈনদ্রে। ভোট ময়াদা থৌনা ফনা হায়রম্বা অমদি পায়খৎকনি হায়দুনা ৱাশকলম্বা পূন্নমক হিংচাবীনা শরী শোনবগা মান্নখ্রে। প্রজানা ৱানোমদুনা হায়জ চৎচদ্রবদি মনানা তাবীদ্রে, উশিন্নখিদ্রে। পেন্নদবা কয়া অমদি তৌহন্নিংবা কয়াগী খোল্লাউ কয়া খবর কাগজ কয়াদা লাউনজরুই অদুবু থওইনা তাবিদ্রে। খবর কাগজগী মৱা লৌবীদ্রে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা প্রেসকী মীওইশিং ফাওবা ফাজিনবা অমদি শাথিনা ফুবীবা লমদম অসিদা তোয়না থোক্লিবসি মীয়ান্না ময়েক শেংনা খঙলবনি। মন্ত্রীদি লৈবাক্কীনি হায়বা ৱাখল লৈতে। ঐগী মী মাগী মী, মাগী মরন্নাই কান্নগদবা খক্তগী ৱাখলদা অতোপ্পগী থবক্তা য়ারিবমখৈ খূৎ থাদনবা হোৎনরে। মন্ত্রী হায়বা মিংথোল অসি মশাগী শেন্দান লম্বীগী খুদোংচাবা লৌনবা শক্তিগী মায়খুম ওইনা লৈনখ্রে।

সরাকারগী লোয়শঙশিংদা দায়ত্ব লৈরবা অচৌ–অশাং কয়াগী লৈজফম থোকপা শক্তি পূন্নমক লৌথোক্লগা মরী লৈনবা মন্ত্রীনা শুপ্পা ই পায়শিনখ্রে। ওফিসকী থবক থৌশিলশিংদা য়ান্না হৈ–শিংলবা সেক্রেতরি, কমিস্নার অমদি দিপার্টমেন্ট অমগী মকোক থোংবশিং পূন্নমক এল দি সিগী থাক্তা লৈরে। অমরোমদা মন্ত্রীনা মরন্নাই ওইজ–ওইথক শেঞ্জা–থুমজা খুদোংচাবা লৌনবা ওফিসার কনাগুম্বা খরবুদি মন্ত্রীগী এজেন্ট ওইনা থবক পূন্নমক শিন্নথোকপসু ময়াওরি। হায়নবদা কয়া য়ানদবা অচুম্বা পাম্বা নিয়ম চুম্না থবক তৌজনিংবা মশাগী ইন্টিগ্রিটি লৈজবা ওফিসার কয়াবুনা সস্পেন্দ নৎত্রগা তর্মিনেত ফাওবা তৌথোকপীবসু য়াওরি। অসুন্না মতম খরদংগী শক্তি পায়রিঙৈসিদা তৌনিংবদা তৌদুনা মশামক প্রজাগী মীহুৎনি কাউথোকই। নংহৌররোই মতাগুম মরল খোমজিন্নবা হোৎনরি।

হীরম খুদিংদা প্রজাশিং হায়নিংঙাই লৈতনা ৱানরে। হিংলি হায়বা মঙায়রে। ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা লৈত্রে। প্রজাশিংগী পূক্লিং ৱাখল লৈতানা শান্তি ওইনা লৈজবা ঙমদ্রে। প্রজা ৱারে। কোক্তা খূৎ হাপ্লে। মিকুপ খুদিং মিপাইনরে। শুফম চৎফম খঙনদ্রে। হিংনবগী উপাই থিফম খঙনরক্ত্রে। করম্বা মিকুপ্তা করি থোক্লক্কদগে হায়বা ৱাখলনা মশাগী য়ূমদা ফাওবা লৈবদা মিপাইনরি।

পেন্দবা ফোঙদোকপা নৎত্রগা থৌশিল শোয়বদগী দাবী তান্নবগী বন্দ অমদি স্ত্রাইকনা চারা তান্দুনা হিংজরিবা প্রজা মফম মতম খঙদনা শুফমনোম্ফম খঙহন্দ্রে। নোংমৈ চীন্দোলগী মায়ওন য়েং য়েংদুনা মশা মশা কন্ননবা হোৎনজবা নত্তনা উপায় করিসু লৈনদ্রে। লম্বী শোরোক্তা নাইতোম চৎপা কিনরে। অচীকপদা মী থেংনবদা কিনরে। মীনা মীগী মতেং পাংনগনি হায়বা ৱাখল মাঙখ্রে। ঐখোয় হৌজিক কোইপাই পাইবা উচেক্কী পুন্সিদগী হেন্না তোন্না হিংলিবা পুন্সি ওইরে। কনবীনবা কনানো? ঐখোয়বু কনানা ঙাকশেনবীরিবনো? পূন্নমক অসিগী দায়ত্বদি লৈঙাক মপু ওইরিবা প্রজাগী মীহুৎকী মিংদা প্রজাগী ঈ চুপ্লিবা মন্ত্রী, এম এল এশিং ওইরোইদ্রো? লৈবাক সাসন তৌবা ঙম্লগনি অমদি প্রজা ঙাক –শেনবীগনি হায়না চোংথোক্লিবা নত্তবরনে মখোয়সিবু, হংন্রে মীয়ান্না।

লৈবাক প্রজাগী নুংঙাই য়াইফনবা খুজিল থৌরাং পায়খৎপগী মহুত্তা মরন্নাই শেন্দান লম্বীগী পোরম শেমদুনা লৈরবনিনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পূন্নমক পুমলেপ লেপ্লে। অমরোমদা মশা মশাগী ময়ূম মকৈ সনা কোনুংগুন্নখ্রে। সমাজদা তুংগী অফবা, মতীক চাবা লমচৎ–শাজৎ ফজবা মীয়ামগী য়াইফ ৱাখল চেনবা নহারোল শেমগৎপসু ঙম্লরোই। হৌজিকমক মতীক চাবা মীদি মন্ত্রী, এম এল এদা য়ান্না পীদুনা ৱানোমবা ঙম্বা মহাক অদুনা ওইরে। নেতা শাবা মন্ত্রীশিংবু মীয়াম্না ইকায় খুম্নবীরত্ত্রে। খল্লুবদা ইকায়নিংঙাইনি। “পোলিতিক্স অসি হুরান চিন্থী অমদি ফত্তবশিংগী চঙজফমনি” হায়বা ডিজারেলিগী ৱাফমসি অচুম্বা প্রমান ওইরে।

মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হায়ৱেশিংদা প্রজাগী মরল মথুম লুট তৌদুনা লমদম অসিগী প্রজাশিংগী চরম মেৎলিবসিবু কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈনগদৌরিবনো? লম্বীদা গাড়ী চেনবা, প্রজাশিংগী পুন্সি অমসুং মরল মথুম ঙাক–শেন্নবা থৌরাং অমত্তা মওং চুম্না পায়খৎলক্ত্রি। ঐখোয়বু কনানা ঙাক শেনবীগদৌরিবনো?

লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপগী মহুত্তা নারোলদা শেঞ্জাও খোমদুনা থবক হাপচিনবা, ঠিকা পীথোকপা, থবক তৌদনা শেল খরচ তৌথোকপা, মন্ত্রীনা ঠিকা তৌবা কয়াসিনা শেল লান্না শীজিন্নখিবগী ফলনা ঙসিদি সরকারগী কর্ম্মচারিশিং থাগী তলব পীবা ঙমদ্রে। ওভর ড্রাফনা লেপ থূমজিল্লক্তুনা সেন্টরদা ভিক্ষা নিরবদা ভিক্ষা হাপ্পীরক্তবদগী চেন্নরিবা মীয়ান্না খঙনরবনি, য়ান্না ইকায়নিংঙাইনি।

নোংমা কাংদনা মীহাৎ মীপূনগী মীকপ মীরাওখোলনা তাবা ঙন্নরক্ত্রে। মমা মপা কায়নরবা মচা কয়াগী অমদি মচা কায়রবা মমা–মপা কয়াগী পূন্সি হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা ওইরি। লোইননা লমদম অসিগী নুপী সমাজবু ইজ্জৎ খোঙ্গাওনদুনা নুপী ওইবী কয়াগী শেংলবা সতিত্ব মাঙহন্দুনা মনীং মখা তৌনা নৈহৎনিংবা মতমদা শাগী লমচৎনা শরাক তম্লিবা কয়া কুইনা খাঙবা ঙন্নগদৌরিবনো? প্রজাগী পুন্সি ঙাকপা ঙমদ্রবা প্রজাগী মীহুৎশিংদা লৈবাক্কী সাসন তৌহনবা করি কান্নরিবগে? মন্ত্রী মণ্ডল লৈতবনা হেন্না ফরবরা খন্নরে ।

লৈরিবা অকিবা ফিভম অসিদা ঐনা পাল্লগা ফগনি হায়দুনা সরকার পায়বা অমুক মুন্নরি। প্রজাগী মিৎয়েংদদি খেন্নবা অমত্তা উদ্রে। প্রজানা মশক খঙলবা মীহুৎ ঙাক্তনি। অসিগুম্বা মীশকশিং অসিনা ঙসি শক্তি মুন্নবগী অকনবা লানফম হোং–হোংদুনা লান্থেংনরি। মন্ত্রী ওইদ্রবদি লৈবাক্কী সেবা তৌবা য়াদে হায়বা লৈতে। লৈবাক্কী শেল থুমগী ফিভম অসুক থীনা শোকচিল্লবা মতম অসিদা মন্ত্রী মশীং য়ান্না হাপ্পবগী অমুকসু ৱানোম্নরিবসিবু প্রজানা হরাওনিংঙাই ওইফম থোক্লিবরা? মন্ত্রী ওইরগা প্রজাগী ঈ চুপকে, প্রজা শুমগে হায়বগী ৱা নত্তনা করিসু নত্তে। আই লাকনিংঙাই লৈজদ্রবা পীক্লবা লমদম অসিদা শেমগৎ শাগৎপগী শীজিন্নগদবা শেনফম পূন্নমক মন্ত্রীশিংগী তলব অমদি অতৈ খরা পূন্নমক্তা লোইনা শীজিন্নখ্রগদবনি। মন্ত্রী, এম এল এশিং ঐখোয়গী পুন্সি ঙাক শেনবীনবা নৎত্রে। লৈবাক্কী য়াইফ থৌরাং পুরক্কনি অমদি লৈবাক ঙাকপীগনি হায়দুনা চোংথোক্লক্লিবা মীতাশিংগী মতীক মথৌনা, মগুণ উরবদা প্রজানা ইকায়নরে। “প্রজানা য়াদ্রবদি লৈবাক সাসন তৌবা ঙমদে”, হায়বা অব্রাহম লিঙ্কনগী ৱাফম অর্থ খঙনদ্রমাল্লে।